# ইরাক্তা সুইসাইদ বোম্মরশিংনা এম্বুলেন্সশিং শিজিন্নদুনা মীওই ২১ হাৎখ্রে




টিক্রিট (ইরাক), নভেম্বর ০৬ : এক্সপ্লোসিভশিং মরাং কায়না য়াওরবা এম্বুলেন্সশিং থৌখিবা সুইসাইদ বোম্মরশিংনা গাড়ীশিং অদু ইরাকি সিটি অনীদা লৈবা চেকপোইন্ট অমদা অমসুং সিয়া পিলগ্রিমশিংগী কার পার্ক অমদা পোকখায়হনখ্রে অমসুং এটেকশিং অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই ২১ শিখ্রে অমসুং অতৈ দজন কয়া অশোক অপন নংখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা হায়রি।

ইরাক্কী নোদর্ন সিটি মোসুলবু আই এস আই এস টেররিষ্টশিংগী মখুৎতগী নৌনা লৌশিন্নবা ইরাকি ত্রুপশিং অমসুং সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা কন্না লাল শোক্নরিঙৈদা টিক্রিট অমসুং সামারাদা এটেক অনীদু পাঙথোকখিবনি। মোসুল অসি ইস্লামিক ষ্টেটনা চহী অনী হেন্না কন্ট্রোল তৌরকখি। বোম্মিংশিং অদু চয়োল অহুমগী মোসুলগী কেম্পেন মনুংদা কর্দিশনা কন্ট্রোল তৌবা এরিয়াশিং কেপিটেল বাঘদাদ অমসুং নোংচুপ থংবা লৈকংলাগী টাউন অমদা এটেক কয়া চথখিবা অলত্রা-হার্দলাইন সুনি ইস্লামিষ্টশিংনা তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা পরিং নাইনা চথরকখিবা এটেকশিংগী শরুক অমনি হায়না থাজনরি। আই এস আই এসকী অমাক ন্যুজ এজেন্সিনা হায়খি, এটেকশিং অদু মিলিটেন্ট গ্রুপ অদুনা পাঙথোকখিবনি।

টিক্রিটতা বোম্মর অমনা মহাক্কী এক্সপ্লোসিভসনা থল্লবা এম্বুলেন্স অদু অয়ুক্কী মী চিনবা মতমদা সিটিদুগী খা থংবা গেটতা পোকখায়হন্দুনা মীওই ১৩ শিহনখি হায়না পুলিস অমসুং হোস্পিটালগী ছোর্সশিংনা ফোঙদোকখি।

অতোপ্পা এটেক্কর অমনসু এক্সপ্লোসিভ মরাং কায়না য়াওবা গাড়ী অমা সিয়া ইস্লামগী খ্বাইদগী শেংলবা লাইফম অল-অঙ্কারি মোস্কতা চৎপা পিলগ্রিমশিংগী কার পার্ক অমদা পোকখায়হনখি। মোস্ক অদু টিক্রিটকী মখারোমদা লৈবা সামরাদা লৈবনি।

বোম্মিং এটেক অদুদা ইরানিয়ন পিলগ্রিম অনী য়াওনা য়ামদ্রবদা মীওই নিপান শিখ্রে হায়না লোকেল ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি। লোকেল ওপরেসন কম্মান্দ, জোইন্ট মিলিটরি অমসুং পুলিস য়ুনিট অমনা সামারাদা শিজিন্নখিবা গাড়ী অদুসু এম্বুলেন্স অমনি হায়খি। সিটি অনীমক্তা ওথোরিটিশিংনা কর্ফিয়ু লাউথোকখ্রে। মখা তানা এটেকশিং চথরকপা য়াবগী অকিবা লৈবদগী খোঙথাং অসি লৌখৎখিবনি। মিলিটেন্ট গ্রুপ অদুগী অমাকন্যুজ হায়খি মদুদি, সুইসাইদ বোম্মর অনীনা সমারাদা এটেকশিং চথখি। অহানবা এটেক অদুদা কার বোম অমা পোকখায়হনখি অমসুং অহানবগী এটেকতা হিংহৌবা মীশিংগী গ্রুপ অমগী মরক্তা অনীশুবা এক্সপ্লোসিভ ভেষ্ট অমসু পোকখায়হনখি। টিক্রিটকী এটেক অদুনা কার বোম্মর অমখক্না পাঙথোকখিবনি হায়না অমাকনা ফোঙদোকখি।

য়ু এসনা লুচিংবা ইন্টরনেসনেল কোলিসন্না শৌগৎপা ইরাকি ত্রুপশিং অমসুং সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা ইরাক্কী নোদর্ন সিটি মোসুলদা আই এস আই এসকা লাম্থেংনরি। স্পেসিয়েল ফোর্সশিং ইষ্টর্ন দিষ্ট্রিক্টশিংদা চঙশিনখ্রে। মখোয়না মিলিটেন্টশিংগী মায়কৈদগী অকনবা রেজিষ্টেন্স থেংনখি। মিলিটেন্টশিংনা ফোর্সশিংদুগী মায়োক্তা কার বোমশিং, স্নাইপরশিং অমসুং মোরটারশিং শিজিন্নখি।

## সাউথ কোরিয়াগী পোলিটিকেল স্কেন্দল চাউথোরক্লে

সিওল, নভেম্বর ০৬ : সাউথ কোরিয়াগী প্রসিক্যুটরশিংনা নোংমাইজিং নুমিৎতা হান্নগী প্রসিদেন্সিয়ল তেংবাঙলোয় অনী হৌনবী মতুং ইন্না ফাগৎখ্রে। লৈবাক অদুবু চ্রাংনহনখিবা ঙক্লিংঙাই ওইরবা পোলিটিকেল স্কেন্দল অমগী মরমদা প্রোসিক্যুটরশিংনা থিজিল্লকখিবদু প্রসিদেন্ট পার্ক গুয়েন-হয়েদা নকশিল্লকখিবগা লোয়ননা মীফাশিং অদু পাঙথোকখিবনি।

মহাক্ন। মতম শাংলবা মহাক্কী মমান্নবী অমসুং লৈখিদ্রবা কল্ট লিদর অমগী মনানুপীবু য়ুখল মরুমদগী পৰার শান্নহনখি হায়বগী চিংনবা লৈখ্রবা মতুংদা পার্কনা থংন-থংননা শোইখ্রে হায়না ফোঙদোকখ্রবনি।

তৌইগুম্বসুং পার্ককী এপোলো-জিশিংদুনা মীয়ামগী পুক্লিং খোয়শাওনবদু থেম্বা ঙমখিদে। চহী অমরোমগী মনুংদা কেপিটেলদা খ্বাইদগী চাউবা এন্টি-গভর্ণমেন্ট রেলি অমা থাংজ নুমিৎতা পাঙথোকখি। রেলি অদুদা শরুক য়াখিবা মীওই লিশিং লিশিংনা পার্কপু মফম থাদোক্ন বা দিমান্দ তৌখি। সিওলদা লৈবা সেন্ট্রল দিষ্ট্রিক্ট কোর্টনা পার্ককী হান্নগী পোলিসী কোওর্দিনেসনগী সিনিয়র সেক্রেটরি অন জোং-বিওমবু ফাননবা প্রোসিক্যুটরশিংনা হায়জখিবা অমা য়াখি।

## ম্যান্মারগী নন-মুস্লিমশিংবু খুৎলায় পায়হনবা, ট্রেনিং পীনবগী থৌরাং মাঙ-তাক্লিংঙাই ওইগনি : জুরিষ্ট গ্রুপ



য়াঙ্গোন, নভেম্বর ০৬ : রাখিনে ষ্টেটকী খুদোংথীবা নংলবা অৱাং থংবা শরুক্তা লৈবা নন-মুস্লিম মীওইশিংবু খুৎলায় পায়হনবা অমসুং ট্রেনিং পীনবা ম্যান্মারনা পায়খৎলক্লিবা থৌরাং অদুনা হান্নদগী লুশিন্দুনা লৈরবা 'হ্যুমেন রাইটসকী ফীভম' অমুক্কা হেন্না লুশিনহল্লবা য়াই হায়না ইন্টরনেসনেল কম্মিসন ওফ জুরিষ্ট কৌবা হ্যুমেন রাইটস ৱাটচদোগ অমনা ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা ওক্টোবর ৯ দা বোর্দর পোষ্ট অহুমদা চথখিবা কোওর্দিনেটেদ এটেকশিংগী পাউখুম ওইনা রাখিনে ষ্টেটকী বাংলাদেশকা তাইনবা ম্যান্মারগী ঙমখৈ পরিংদা লৈবা মাউংদো এরিয়াদা লান্মীশিং থোমজিনখ্রে। কোওর্দিনেটেদ এটেকশিং অদুদা পুলিস ওফিসর মাপন শিখিবনি।

গভর্ণমেন্টনা হায়খি মদুদি, রোহিংয়া মুস্লিম মিলিটেন্ট ৪০০ রোমগী গ্রুপ অমনা পোষ্টশিংদুদা এটেক তৌখি। মদুদগী চথরকখিবা মিলিটরি ওপরেসনশিংদা য়ামদ্রবদা লালহৌবশিংনি হায়না চিংনবা মীওই ৩৩ হাৎখ্রে। সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা এরিয়া অদুদা এইদ ৱার্করশিং অমসুং জর্নেলিষ্ট অয়াম্বা চঙবা থিংখ্রে।

রোহিংয়া মুস্লিমশিংনা আর্মিবু মী কয়া হাৎপগী মরাল পীশিন্দুনা খুদক্তা হাৎপগী থৌওংশিং চথখি, নুপী কয়া রেপ তৌখি অমসুং মীচম কয়াগী ময়ুমশিং মৈ থাখি হায়না মরাল শীখ্রে। গভর্ণমেন্ট অমসুং মিলিটরিনদি রোহিংয়া মুস্লিমশিংনা শীরিবা মরালশিংদু য়াখিদ্রে।

রাখিনে ষ্টেট পুলিসকী চীফ কর্নেল সৈইন লৱিননা চয়োল অসিদা রোইটর্জদা হায়খি মদুদি মহাক্কী ফোর্সনা ইথনিক রাখিনে অমসুং এরিয়া অদুদা তাবা অতৈ নন-মুস্লিম ইথনিক মাইনোরিটিশিংগী মরক্তগী অনৌবা রিজনেল পুলিস রিক্রুট তৌবা হৌখ্রে।

'ট্রেন তৌদবা, খুৎলায় পায়বা, থোইদোক্লসু তঙাই ফদবা নত্তবা কম্যুনিটি অমত্তদগী মীশিং রিক্রুট তৌদুনা অরুবা ইথনিক টেন্সন অমসুং ঈরাং মরকসিদা ফোর্স অমা লিংবা হায়বসি লাইবক থীনিংঙাইনি' হায়না আই সি জেগী এসিয়া দিরেক্টর সাম জরিফিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

ম্যান্মার লিদর ওং সান সু চিগী নেসনেল লিগ ফোর দেমোক্রেসিগী মেম্বর ১ ওইরিবা রাখিনে ষ্টেট পার্লিয়ামেন্টদা মিনিষ্টর ওইবা মিন অউংনা হায়খি, চয়োল অসিদা রিক্রুটশিং অদুনা রেসিদেন্টশিংবু ওক্টোবর ৯ গী এটেকশিংদা চেন্নবা মিলিটেন্টশিংগী মখুৎতগী কনবদা মতেং পাংগনি।

রোইটর্জনা কন্টেক্ট তৌবা মতমদা রাখিনে পুলিসকী দেপ্যুটি কম্মান্দর কর্নেল থিট সাননা ক্রিটিসিজম অদুবু রিজেক্ট তৌরদুনা হায়খি, পুলিস কম্মান্দগী মখাদা লৈগদবা ওইবনা ফোর্স অদুগা মরী লৈননা প্রোব্লেম অমত্তা থোক্লোই। 'ঐখোয়না মমাঙদা মদুগী ট্রেনিংদু তৌখ্রে, মদু মমাঙদা মঙা-তরুক্লক তৌখিবগুম নোর্মেল পুলিস রিক্রুটমেন্টনি, হান্নদি প্রোব্লেম অমত্তা লৈখিদে' হায়না থিট সাননা হায়খি।

## পার্লিয়ামেন্টনা ব্রেক্সিটকী ভোট লোনা য়াবনি হায়বসি য়াগদবনি : বৃটিশ পি এম মে



লন্দন, নভেম্বর ০৬ : বৃটেন্না য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নদগী তোক্ন বা ভোট লৌনখিবদু লোনা য়াবা খোঙথাং অমা ওইনা পার্লিয়ামেন্টনা য়াগদবনি অমসুং গভর্ণমেন্টপু ব্রেক্সিটকী প্রোসেস মপুং ফানা পাঙথোকহনগদবনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর টেরেসা মেনা নোংমাইজিং নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

ঈ য়ু থাদোক্নবগী প্রোসেস হৌবদা গভর্ণমেন্টপু পার্লিয়ামেন্টকী এপ্রুভেল তঙাই ফদনা চঙহনবা হায় কোর্টক্কী রুলিং চৎনহন্দবা ঙমগনি থাজৈ হায়না মেনা হায়খ্রে।

কোর্টকী রুলিং অদুনা ঈ য়ুদা পৱার হেন্না শিন্নবগী ৱাফমগী মায়োক্তা লৈবশিংবু খোয়রাং খোয়শাওহনখি। মখা তানা ব্লোক অদুদা লৈবা পাম্বা লোমেকরশিংনা বৃটেননা ঈ য়ুদগী তোকপগী টার্ম ময়াই চমমহন্নবা হোৎনরকপা য়াই হায়না কিনরিবনি।

তৌইগুম্বসুং সন্দে টেলিগ্রাফ পাউচেদো ইবা আর্টিকল অমদা মেনা অসিগুম্বা থৌওংশিং থিংগনি হায়বগী ঈঙ্গিৎ পীখ্রে। 'মীয়াম্না মখোয়গী অপাম্বা উৎখ্রে অমসুং য়াম্না ময়েক শেংলবা লৈবাক্কী ৱারেপ অমা লৌখ্রে। ৱারেপতুবু থবক ওইনা পাঙথোকপা অমসুং মখোয়গী ইন্সট্রক্সনবু মপুং ফানা পাঙথোকপা হায়বসি গভর্ণমেন্টকী রেস্পোন্সি-বিলিটিনি' হায়না মেনা ইখি।

বৃটেনগী ওপোজিসন লেবর পার্টিগী মকোক্না নোংমাইজিং নুমিৎতা হায়খ্রে মদুদি গভর্ণমেন্টনা মহাক্কী ব্রেক্সিটকী দিমান্দশিংদা য়াদবা তারবদি মহাক্না ঈ য়ুগা তৎনবগী ৱারী শানবা থিংগনি।

বৃটেন্না তুংদা ঈ য়ুগা লৈনরক্কদবা মরীগী মতাংদা লৈরিবা প্লানশিংগী মতাংদা করিমত্তা ফোঙদোকখিদবা গভর্ণমেন্টনা হায়খ্রে মদুদি, নিগোসিয়েসনগী মপুং ফাবা ষ্ট্রেটেজি অমা পার্লিয়ামেন্টদা পুথোকপনা ব্লোক অদুগা ৱারী শানরকপা মতমদা লৈবাক অদুদা খুদোংচাদবা খরা মায়োক্নহনগনি। 'এম পিশিংনা ভোটরশিংদা ৱারেপ লৌহনখিবনি। রিজল্ট অদু য়াম্না নাখৈ শেংখি। মদু লোনা য়াবা ৱারেপনি' হায়না মেনা মহাক্কী অহানবা ইন্দিয়াদা চৎকদবা লল্লোন-ঈতিক্কী খোঙচৎকী মাঙওইননা থোকখিবা তোঙানবা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি।

মেনা মহাক্কী অহানবা বাইলেটরেল ট্রেদকী খোঙচৎপু বৃটেন্না ঈ য়ু থাদোক্ত্রিঙৈদা ইন্দিয়াগা লৈনবা মরী ফগৎহনবদা শিজিন্নগনি। খোঙচৎ অসিনা ব্রেক্সিটকী প্রোসেস মপুং হেক ফাবগা ফ্রী ট্রেদ দিল অমা লাক্লবগী লম্বী ফাৎকনি।

হৌখিবা জুনদা পাঙথোকখিবা রেফরেন্দমদা মেম্বর অয়াম্বনা মখা তানা ঈ য়ুদা লৈবগী ৱাফম শৌগৎনখিবনা পার্লিয়ামেন্টনা ঠিওরিদদি ব্রেক্সিটকী প্রোসেস থিংবা য়াই। অদুম ওইনমক মসিমক্তি থোক্তবা য়ানা লৈ।

হায় কোর্টকী ওর্দর অদুগী মায়োক্তা গভর্ণমেন্টনা আপিল তৌবা তারবদি মদু বৃটেনগী সুপ্রিম কোর্টনা মথং থাগী অঙনবদা খন্নবা য়াই। মেনা হায়খ্রে মদুদি ব্রেক্সিটকী টার্মসকী মতাংদা মার্চ থাগী অরোইবা ফাওবগী মনুংদা ৱারী শানবা হৌনবা থৌরাং তৌরি।

'ঐখোয়না ঐখোয়গী লৈবাক্কী-দমক্তা করম্না খ্বাইদগী ফবা ফল লাকহনগদগে হায়বরোমদা ৱাখল থাদবা চঙই' হায়না মহাক্কী ওফিসনা থাদোকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়রি।

## কোর্টনা ওর্দর তৌরবসু নেসনেল জিওগ্রাফিক্কী 'নুপীমচা' অফঘানিষ্টানদা থারোই : পাকিস্টান

ইস্লামাবাদ, নভেম্বর ০৬ : 'অফঘান নুপীমচা' সর্বট গুলাবু নেসনেল জিওগ্রাফিক্কী ফোটো কাপ্পুনা ফাওহনখিবা মীওই অদুনা হঞ্জিন-হঞ্জিন মীনুংশি উৎপিনবা হায়জরবসু অমসুং হান্নগী পাকিস্টানগী ক্রিকেটর ইমরান খান্না মান্নবা মওংদা হায়জখ্রবসু ফাওরবা সর্বট গুলাবু পাকিস্টান্না মরৈবাক অফঘানিষ্টানদা থাবা তৌরোই হায়না গভর্ণমেন্টগী ওফিসল অমনা দোনদা ফোঙদোকখ্রে। পেশৱারগী কোর্টকী ওর্দর অমনসু মহাকপু দিপোর্ট তৌনবা গভর্ণমেন্টদা খঙহনখ্রবনি।

হৌজিক মশাগী চহী ৪৩ শুরবা গুলাবু দিপোর্ট তৌদনবগী ৱারেপ অসি মীওইবগী মীনুংশিগী ৱাখলদা অমসুং অফঘানিষ্টানদা গুদৱিল উৎলদুনা লৌখিবনি হায়না ওফিসল সাকেট য়ৌসফজাইনা থাংজ নুমিত্তা দোনদা হায়খি। অশাবা কম্প্যুটরাইজ নেসনেল আইদেন্টিটি কার্দ অমা পায়রম্বগীদমক্তা গুলাবু পাকিস্টানগী ফেদরেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সিনা হৌখিবা থাদা ফাখিবনি। চয়োল অসিগী অঙনবদা পেশাৱারদা লৈবা স্পেসল এন্টি-করপসন অমসুং ইম্মিগ্রেসন কোর্টঅমনা গুলাবু নুমিৎ ১৫ নিগী মীয়াৎ লোইরবা মতুংদা অফঘানিষ্টানদা থানবা অমসুং পাকিস্টানি লুপা ১১০,০০০ ফাইন ওইনা থিহন্নবা ওর্দর তৌখি।

মহাকপু ফারবা মতুংদা কুমজা ১৯৮৫ দা চহী ১২ শুবদা ঙাইরিবা গুলাবু ফোটো লৌদুনা ফাওহনখিবা ষ্টিভ মেক করিনা মহাকপু (গুনাবু) মীনুংশি য়েংদুনা ত্রাইএঙ্গল চথবীগনু হায়না তকশিনখি। পাকিস্টানগী ক্রিকেটর ওইরম্বদগী পোলিটিসিয়ন ওইরকখিবা ইমরান খান্নসু খাইবর পাখতুনখৱাগী চীফ মিনিষ্টর পর্বেজ খটুকতা গুলাবু দিপোর্ট তৌদনবা হায়জখি।

## য়েৎনরিবা ঈথৎশিংগী মনাক্তা চাইনিজ সিপশিং থৌজিনবদগী জপান্না প্রোটেষ্ট তৌখ্রে




টোকিয়ো, নভেম্বর ০৬ : ইষ্ট চাইনা সিদা লৈবা য়েৎনরিবা ঈথৎশিংগী ঈশিংগী শরুকশিংদা চাইনিজ কোষ্ট গার্দ শিপশিং থৌজিনখিবা মতুংদা জপান্না নোংমাইজিং নুমিৎতা চাইনাদা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে হায়না টোকিয়োনা হায়রি।

লোকেল মতমদা অয়ুক্কী পুং ১০ মুক তাবদা চাইনিজ ভেসেল মরি ঈথৎ মচাশিং অদুগী অকোয়বদা লৈরিবা ঈশিংগী শরুকশিংদা চঙশিনখি হায়না জপান কোষ্ট গার্দনা ফোঙদোকখি। ঈথৎ মচাশিং অদু জপানদা সেনকাকু কৌই অদুগা চাইনাদা দিয়াওয়ু কৌই।

মখোয় পুং ২ গী মনুংদা টেরিটেরিয়েল ৱার্টর্সথাদোকখি হায়না কোষ্ট গার্দনা হায়খি।

মী তাদবা টোকিয়োনা কন্ট্রোল তৌবা ঈথৎ মচাশিং অদুগী মতাংদা লৈবাক অনীনা মতম শাংনা য়েৎনদুনা লাকখি। টোকিয়োনা হঞ্জিন-হঞ্জিন প্রোটেষ্ট তৌজরবসু চাইনানা ঈথৎ পরিং অদুদা চাং নাইনা শিপশিং থাদুনা বৈজিংনা রিজনেল টেন্সন হেনগৎহল্লি হায়না জপান্না তত্তনা কমপ্লেন তৌদুনা লাকখি।

নোংমাইজিং নুমিৎতা বৈজিংদা লৈবা মখোয়গী এম্বেসিগী খুথাংদা টোকিয়োনা চাইনাগী ফোরন মিনিষ্ট্রিদা প্রোটেষ্ট তৌখি। ঈথৎশিং অদু জপান্না ফংফম থোকপা লমনি হায়রদুনা টোকিয়োনা প্রোটেষ্ট তৌখিবনি। চৈরকসিদা সিঙ্গো অবেগী ওফিসনা চাইনিজ শিপশিং মোনিটর তৌবগী চার্জ পুরিবা টিমগী ষ্ট্রেংথ হেনগৎহনখ্রে হায়রি।

চাইনিজ ভেসেলশিংনা জপানগী (ঈথৎশিং অদুগী) টেরটরিয়েল ৱার্টর্সতা পুন্না নুমিৎ ৩১ নি চঙশিল্লকখ্রে হায়রদুনা টোকিয়োনা চহী অসিদা দিপ্লোমেটিক চেন্নেলশিংগী খুথাংদা য়ামদ্রবদা ৩২ রক প্রোটেষ্ট তৌখ্রে।

সাউথ চাইনা সিগী মেরিটাইমগী য়েৎনবশিংদসু চাইনা চেন্নরি। ফিলিপিন্স, ব্রুনৈ, মালেসিয়া, টাইৱান অমসুং ভিয়েটনামনা কাউন্টর ক্লেম তৌনবা এরিয়াগী অয়াম্বা শরুক বৈজিংনা মখোয়গীনি হায়না ক্লেম তৌরিবনি। তৌইগুম্বসুং জুলাই থাদা য়ু এন্না শৌগৎখিবা ত্রাইবুনেল অমনা বৈজিংগী ক্লেমশিং অদু চৎনবা য়ারোই হায়না ৱার্নিং পীখি।

**MANIPUR LEGISLATIVE ASSEMBLY SECRETARIAT**

**NOTIFICATION**

*Imphal, the 4th November, 2016*

***No. 1/13(11)/2016-LA(E)Pt.*** It is hereby informed to all the candidate who have applied for direct recruitment to the following posts in the Manipur Legislative Assembly Secretariat that they may collect their admit-cards from the Assembly Secretariat during office hours.

1. Legal Assistant
2. Reporter Grade-III
3. Office Assistant-cum-Computer Operator
4. LDA

The detail examination schedules of the posts mentioned above will intimated through print and electronic media later on.

Sd/-
**G. Tapankumar Sharma**
*Deputy Secretary (Admn),*
Manipur Legislative Assembly

*HL-B/3450/05&07*



HL-B/3401/20/10-19/11

## EMPLOYMENT NEWS

### Centre for Railway Information Systems – CRIS Recruitment 2017 – 20 Assistant Software Engineer Vacancy – Last Date 02 December 2016

**CRIS Recruitment 2017 – 2016**

Centre for Railway Information Systems invites application for the post of 20 Assistant Software Engineer. Apply Online before 02 December 2016.

**Job Details :**

Post Name : Assistant Software Engineer
No. of Vacancy : 20 Posts
Pay Scale : Rs.44900/-

**Eligibility Criteria for NALCO Recruitment :**

Educational Qualification : B.E / B.Tech in Computer Science & Engineering or Computer Science or Computer Technology or Information Technology or Computer Science & Information Technology or Computer Applications, or MCA or B.Sc (Computer Science – 4 Year degree course).

Nationality : Indian
Age Limit : 22 to 27 years As on 02.12.2016

**Job Location : All India**

**Selection Process :** Selection will be based on the GATE-2016 Marks.

**Application Fee :** Candidates Have to Pay Rs.1000/- though Challan. No Fee for SC/ST/PWD candidates or women candidates.

**How to Apply NALCO Vacancy :** Interested Candidate may apply Online through the Website www.cris.org.in from 02.11.2016 to 02.12.2016.

**Important Dates to Remember :**

Starting Date for Submission of Online Application : 02.11.2016
Last Date for Submission of Online Application : 02.12.2016
Last Date for Submission of Application Fee at SBI : 07.12.2016

**Important Links :**

Detail Advertisement Link : https://cdn4.digialm.com//per/g22/pub/1062/EForms/image/ImageDocUpload/0/1113192063911893432576.pdf

**Apply Online :** https://www.digialm.com/EForms/html/form50435/Instruction.html

### National Aluminium Company Limited – NALCO Recruitment 2017 – 55 Graduate Engineers Vacancy – Last Date 03 December 2016

**NALCO Recruitment 2017 – 2016**

National Aluminium Company Limited invites application for the post of 55 Graduate Engineers in the disciplines of Mechanical, Electrical, Civil & Chemical Engineering. Apply Online before 03 December 2016.

**Job Details :**

Post Name : Graduate Engineer (Mechanical, Electrical, Civil & Chemical)
No. of Vacancy : 55 Posts (Mechanical–22 Posts, Electrical–23 Posts, Civil- 04 Posts, Chemical-06 Posts)
Pay Scale : Rs.16400- 40500/-

**Eligibility Criteria for NALCO Recruitment :**

Educational Qualification : Full-Time Bachelor's Degree in Engineering /Technology from a recognized University/ Institute.

Nationality : Indian
Age Limit : 30 years As on 04.11.2016

**Job Location : Odisha**

**Selection Process :** Selection will be based on the GATE-2016 Marks and Interview.

**How to Apply NALCO Vacancy :** Interested Candidate may apply Online through the Website http://www.nalcoindia.com from 04.11.2016 to 03.12.2016.

**Important Dates to Remember :**
Starting Date for Submission of Online Application : 04.11.2016
Last Date for Submission of Online Application : 03.12.2016
**Important Links :**
**Detail Advertisement Link :** http://www.nalcoindia.com/Advertisement.pdf
Apply Online : http://www.nalcoindia.com/Careers.aspx#

### Join Indian Army Recruitment 2017 – 125th Technical Graduates Course (40 Vacancies) – Last Date 07 December 2016

**Join Indian Army Recruitment 2017 – 2016**

Indian Army invites Application from Married/unmarried Male Engineering Graduates for 125th Technical Graduates Course (Commencing in July 2017 at Indian Military Academy) for Permanent Commission in the Indian Army. Apply Online before 07 December 2016.

**Job Details For Indian Army :**

Post Name : 125th Technical Graduates Course
No. of Vacancies : 40 Posts
Pay Scale : Rs.21000/-

**Eligibility Criteria to join Indian army Recruitment :**
Educational Qualification : Candidates Should Have Passed the requisite engineering Degree Course or be in the final year of Engineering course.

Nationality : Indian
Age Limit : 20 to 27 years

**Job Location : All India**

**Selection Process :** Selection will be made through Shortlisting & Interview.
**How to Apply Indian Army Vacancy :** Interested Candidates may apply online through the website www.joinindianarmy.nic.in from 08.11.2016 to 07.12.2016.

**Important Dates to Remember :**
Starting Date For Submission Of Online Application : 08.11.2016
Last Date For Submission Of Online Application : 07.12.2016
**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://joinindianarmy.nic.in/writereaddata/Portal/Notification/186_1_NOTIFICATION_TGC_125_COURSE.pdf
Apply Online : http://joinindianarmy.nic.in/Authentication.aspx